**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-09-2026)**

**কোল্লিং (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা হায়রি-পঞ্চায়ট অমসুং ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মীখল অথুবা মতমদা পাঙথোকবা হোৎনরি। হৌজিক হোজিক দিলিমিটেসনগী থবক চত্থরি।

ঙসি মনিপুর বিধান সভাদা কংগ্রেসকী কে. মেঘাচন্দ্রনা পুখৎলকপা কোল্লিং এটেন্সন মোসন অমগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-সুপ্রিম কোর্টকী রুল্লিং অমনা পঞ্চায়টকী থ্রি টয়ার সিষ্টেম লৈগদবনি হায়রকপদগী হান্না দিলিমিটেসন হৌরুরগা মতম নংলরোই হায়না লেপখিবনি। মহাকা হায়-১৬ শুবা ফাইনান্স কন্মিসনদগী শেল লৌথবা য়ানবা চে ইজগে, কন্মিসনগী ফংগদবা শেনফম এ.দি.সিগী ওইনদি কমিতি শেল্লগা লৌথবা য়াই।

**কোল্লিং টু (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা হায়রি-মনিপুরগী হেলথ সেক্তর হেন্না ফগৎহন্নবা সরকারনা অঙম্বা থাক্তা কন্না হোৎনরি।

কংগ্রেসকী সুরজাকুমার ওক্রমনা ঙসি মনিপুর বিধান সভাদা পুখৎলকপা কোল্লিং এটেন্সন মোসন অমগী পাউখুমদা হেলথ অমসুং ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী থবকসু পুরিবা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিদা হেলথ সেক্তর ফগৎহন্নবা সুপর স্পিসিএলিতি হোস্পিতাল ৫ অমসুং মেন্টেল হোস্পিতাল য়াওনা প্রোজেক্ট মঙা পায়খৎলি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল মেদিকেল কলেজ ওন্থোকবগী ৱাফম খন্নসি হায়খি।

মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা মখা তানা হায়-রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা ডাক্তরশিংগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি। অদুমওইনমক, সরকার অসিনা অনা লায়েং শঙশিংদা ডাক্তর অৱাৎপা লৈহ

দনবা হোৎনরি। চীংগী মনুং হুনজিনবা মফমশিংগী ওইনা মোবাইল মেদিকেল ক্লিনিক ১৩ হাংখ্রে। মীরোনবী মমাশিংগী অনা লায়েংদা হেন্না খুদোংচাহন্নবা চীংগী জিলাশিংদা এম্বুলেন্স ৩৩ সু পীখিবা লৈরে।

**ক্কেইসন(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-নোংমগী চরা তাল্লিবা ইমা-ইবেলশিংগী শেন্থোক লন্বী ফাগৎহন্নবা সরকারনা অনৌবা য়াইফ থৌরাং অমা হৌদোকবা হোৎনরি।

কংগ্রেসকী সুরজকুমার ওক্রমনা ঙসি মনিপুর বিধান সভাগী ৮ শুবা মীফমগী ৱাহং পাউখুমগী মতমদা পুখৎলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-সরকারনা পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংশিং অসি মরুওইনা নুপীশিংবু মশা মরোমদোম লেপচবা ঙমহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎপনি। থৌরাং অসি রাজ্য সরকারগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎপনি। থৌরাং অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংদা শেলগী তেংবাং পীরি। মখা তানা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ য়াওহৌদ্রবা নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা ইমা ইবেলশিংদা শেলগী তেংবাং পীননবা সরকারনা অনৌবা থৌরাং অমা পায়খৎনবা খন্নবা লৈরে। থৌরাং অসি চৎলিবা থা অসিদা হৌদোকবা পান্দম থল্লি।

**ক্কেইসন (এল)ঃ** লৈলোন বাইফৈগী থৌদোক্তা চেন্নবনি চিংনবা মীওই মরি ফারে। মীওই মরি অমসু ফাননবা হোৎনরি হায়না রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি-গোন্দিাস কোন্থৌজমনা ঙসি মনিপুর বিধান সভাদা ফোংদোকখ্রে।

কংগ্রেসকী কে. রঞ্জিৎনা হংল্লকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা শ্রী গোবিন্দ দাসনা হায়-নাগা মীচম তরুক হাৎখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা চিংনবা মীওই অনি ফারবা মতুং মখোয়না হায়দোরকপদগী মীওই অনি অমসু ফাখি। মখোয়দা মখা তানা ৱাহং পাউহং চথবদা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই মরিগী মিংসু হায়দোরকখি। হৌজিক হৌজিক এন.আই.এনা হায়রিবা মীওই মরি অদু

ফানবা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি।

চহি অসিগী এপ্রিল তরেৎতা ত্রোংলাউবী অৱাং লৈকাইদা বোম পোকখায়হন্দুনা পীক্লিবা মচিন মৌপৱা হাৎখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কে. রঞ্জিৎনা পুখৎলকপা ৱাহংগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা হায়-ত্রোংলাউবীগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা ফারে। মীওই অসিগী মথক্তা এন.আই.এনা ৱাহং পাউহং চথুদুনা মখা তানা থিজিল্লি।

**জিরো অৱার (এল)ঃ** ঙসি মনিপুর বিধান সভাগী জিরো অৱারগী মতমদা কে.পি.এগী কিমনিও হাওকিপ হংশিংনা কাংপোকপী জিলাগী মহৈরোইশিংগী য়েংলগা সেন্ট্রেল কম্পিটিটিব ইগজামিনেসনশিংগী সেন্টর অমা কাংপোকপী হেদক্কাটরসতা হাংদোকপীনবা তকশিনখ্রে।

জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিতালশিংদা তঙাইফদনা চংবা হিদাক লাংথকশিং অমসুং চিঞ্জাক নীংথিনা ফংহনবীনবা অমদি রিলিফ কেম্পশিংগী হকশেল অমসুং হাইজিন ফগৎহন্নবসু মহাকা সভাগী পুকিং চিংশিনখি।

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা ঙসি মনিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে-অপুনবা আই.দি.পি. লিশিং ৬০ গী মনুংদা লিশিং ৩৬ মশা মশাগী ময়ুমদা হনজিলহনখ্রে।

সভাদা ঙসি কংগ্রেসকী টি.ঐচ. লোকেশ্বরনা পুখৎলকপা সোর্ট দ্যুরেসন দিসকসন অমগী পাউখুম পীরদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-আই.দি.পি. লিশিং ২৪ না হৌজিক রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মমাং থাদা তোঙান তোঙানবা আই.দি.পিশিংগী এসোসিয়েসন তরেৎলোমগা উন্নদুনা মখোয়গী ময়ুমদা হনজিন্নবগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। মশাগী ময়ুমদা হনজিন্দুনা লৈখ্রবা আই.দি.পিশিং য়াওনা পুন্না

আই.দি.পি. লিশিং ৫৯ রোমদা শেলগী তেংবাংশিং পীরি। মসিগী মথক্তা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা ৱাখলদা অৱাবা কয়া ফাওখিবশিং অদু হন্থহন্নবা হকশেল বিভাগকী মায়কৈদগী মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎলি।

মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-ইম্ফাল-দিমাপুর-গুৱাহাতি লম্বী হাংদোক্লুনা মহৌশাগুম চৎথোক চৎশিন তৌবা য়ারে। মখা তানা ইম্ফাল মোরে লম্বীসু মপুং ফানা হাংদোক্লুনা কাংলুপ খুদিংমক চৎপা য়াননবা অকনবা থবকশিং লৌখৎলি।

**এমপিপি(এল)ঃ** হৌজিক চৎথরিবা মনিপুর বিধান সভাগী মীফমদা মনিপুরদা এন.আর.সি. তৌরগনি হায়না লাউথোক্লবসু করম্বা বেজ ইয়ারদা এন.আর.সি. তৌগদৌরিবনো হায়বা চপ চাবা ফোংদোক্তবা অসি মনিপুর পিপলস পার্টিনা য়ানিংদে হায়রি। ৱাফম অসি ঙসি দল অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোংদোরকপনি।

**মেসেজ(এল)ঃ** ভগবান শ্রীকৃষ্ণনগী মপোক নুমিৎ জনমস্তমি হয়েং মনিপুরদসু পাঙথোকবা শেম শান্নরি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপালনা পীরকপা পাউজেলদা হায়-ভগবান কৃষ্ণননা তাকপীরম্বা ফজরবা ৱাখল্লোন কয়া ভগবত গীতাদা য়াওরি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা নুংশিবা, মরুপ-মপাং ওইবা অমসুং ওইজবা থাদোক্লুনা অফবা থবকশিং তৌবগী ৱাখল্লোন হেন্না ফাওহনবা ওইরসনু। নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা শান্তি, অপুনবগী শক্তম, অমনা অমবু ইকায় খুমবা অমসুং মচিন-মনাও ওইবগী ৱাখল্লোন হেন্না পোকপা ওইরসনু।

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগী পাউজেলদা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা ভগবান শ্রীকৃষ্ণনগী ৱাখল লৌশিং চাউবা, নুংশিবা অমসুং অচুম্বগী ৱাখল্লোনশিং

নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। জনমস্তমিনা লাকপদা লমদম অসিদা লৈমীন্নরিবা কাংলুপ-ফুরুপশিংগী মরক্তা মচিন-মনাও ওইবা অমসুং নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না চেৎশিলহনবা ওইরসনু। শান্তি, নুংঙাইবা, চাউখৎপা অমসুং অমত্তা ওইবগী মায়কৈদা পুন্না চংশিনমীন্নবা মনিপুর অমা ওইহল্লসি।

উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখোগী পাউজেলদা হায়-জনমস্তমিনা লাকপদা ভগবান শ্রীকৃষ্ণননা তাকপীরম্বা ফজরবা ৱাখল্লোনশিং অদু নীংশিংদুনা নুংশি চান্নবা, চাউখৎপা মনিপুর অমা ওইহল্লসি।

গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়-জনমস্তমিনা লাকপদা ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা ঐখোয় পুমমক্তা থৌজাল পীবিরমদুনা রাজ্য অসিবু হেন্না চাউখৎপা, শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহল্লসি।

মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতাগী পাউজেলদা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা মনিপুরদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ খুদিংমক্কী মফমদা অমত্তা ওইবগী ৱাখল হেন্না ফাওহন্দুনা নুংঙাই য়াইফবা, চাউখৎপা লমদম অমা ওইরসনু।

এম.এল.এশিং-কে. রোবিন্দ্রো, থৌনাওজম বসন্তকুমার, টি. রোবিন্দ্রানসু জনমস্তমিনা লাকপদা মনিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**এময়ু(এল)ঃ** মনিপুর সিদ এন্দ ওর্গানিক সার্টিফিকেসন এজেন্সি অমসুং দিল্লিদা বেস তৌবা ভারত্তিয়া বিজ সহাকারি সমিতি লিমিটেদ অনিগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা মরু-মরাংশিং পুথোকবা ঙসি এম.ও.য়ু. অমা সহি তৌনখ্রে।

মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নারগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা সহি তৌনবগী থৌরম অদুদা এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নার-থাইথুইলুং পানমৈ অমসুং এগ্রীকলচর দিরেক্তর-পিটর সলামনচিংবা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**য়ুনিভরসিতি(এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতি অমসুং মালেসিয়াগী ইন্টি ইন্টরনেসেল য়ুনিভরসিতি অনিগী মরক্তা রিছার্স অমসুং একাডমীক কোওপরেসনগী মতাংদা এম.ও.য়ু. অমা সহি তৌনখ্রে।

ভরচুয়েল ওইনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী রেজিস্ত্রার প্রোফেসার-এম. প্রেমজিৎ অমসুং ইন্টিগী প্রো-ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোপেসার-গো খাং ৱেননা সহি তৌনখি।

**বিষ্ণুপুর(এল)ঃ** দিবলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন, য়ুনাইটেদ ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসন-নম্বোলগী ৩১ শুবা ফাউন্দেসন ডে ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী স্পিসিএল সেক্রেটরি-আর.কে. অমরজিৎ অমসুং জস্ত এন্দ ফিয়ার দিলিমিটেসন (জে.এফ.দি) গী কনভেন্নর-জিতেন্দ্র নিঙোম্বা শরুক য়াখি।

**মাস্তেক(এল)ঃ** মনিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাডন্সিলনা শিনদুনা মমাং থাগী ২৮ দগী নুমিৎ তরেৎনি চুপা চত্থরকখিবা চিঞ্জাক শেম শাবগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম ঙসি লোয়শিনখ্রে।

পুন্না মীওই ৩২ না শরুক য়াখিবা ত্রেন্নিং অদুগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা চান-থকবা পোৎলম ৩৩ শেম শাবা তমখি। লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা সাইন্স অমসুং টেকোলোজিগী সেক্রেটরি-কেংঙু জ্‌রিংলা শরুক য়াখি।

**বিষ্ণুপুর(এল)ঃ** চহি খুদিংগী নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ এদুকেস্নেল প্লান্নিং এন্দ এদমিনিষ্ট্রেসন (নিপা) না ইনোভেসন এন্দ গুদ প্রাক্তিসেস ইন এদুকেস্নেল এদমিনিষ্ট্রেসনগী লমদা চহি খুদিংগী মনাশিং পীদুনা লাক্লি।

কুমজা ২০২৩-২৪ অমসুং ২০২৪-২৫ গী ওইনা ঙরাংদগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা ন্যু দিল্লিদা লৈবা নিপাগী কনফরেন্স হোলদা মনাশিং য়েন্থোকপগী থৌরম

পাঙথোকখ্রে।

মসিদা মনিপুরদগী এদুকেসন (এস) কী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর ওইরবী-লৈশাংথেম কমলা অমসুং বিষ্ণুপুরগী জেট.ই.ও. অতোম গুনামনি দেবীসু মনাশিং ফংলে। মনা অসিদা মেমেন্টো, সার্টিফিকেট অমসুং শেল ওইনা লুপা লিশিং তরা য়াওরি।

**পিএমঃ** ভারত অমসুং বেলজিয়মনা লল্লোন ইতিক অমসুং শেল থুমগা মরী লৈনবা লমশিংদা হেন্না তেংবাং পীননবা য়ান্নরে।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসু বেলজিয়মগী প্রধান মন্ত্রি-বার্ট দে ৱেভরগী মরক্তা ৱারী শান্নরবা মতুংদা পুন্না থাদোরকপা ৱারোল অমদা ৱাফম অসি ফোংদোরকপনি। লৈবাক অনিগী মরক্তা লাক্কদৌরিবা চহি মঙাদা লল্লোন ইতিক্কী থবক হান্নদগী শরুক অনিদা হেনগৎহন্নবা, হিদাক লাংথক শাবা, সেমি কন্দক্টর, ঙাকশেলগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং শাবা, ক্রিটিকেল মিনরেল, রিন্যুএল ইনর্জি, হিথাংফমশিং, লোজিষ্টিক, স্পেস অমসুং এদভান্স টেকোলোজিনচিংবগী লমশিংদা হেন্না তেংবাং পীননবসু য়ান্নরে।

ইন্দিয়া-ই.য়ু. ফ্রি ত্রেদ এগ্রীমেন্টবু লুচিংবা অনিনা তরামা ওক্লদুনা য়ান্ন-চে অসি মতম চানা চৎনহনবদা মতেং পাংননবসু য়ান্নখি।

**মোদিঃ** বরানাসিগী এম.পিসু ওইরিবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মহাক্কী লোক সভা কেন্দ্র বরানাসিদা ওইরিবা ঈশিং ঈচাওগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

বরানাসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট-সতিয়নদ্রা কুমারদা, ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবশিংগী অকুপ্পা ৱারোল পীখৎলকবা খঙহনখ্রে। তুরেলশিংদা ওইরিবা ঈশিং ঈমায়গী ফিভম অমসুং রিলিফ কেম্পশিং হাংবগী মতাংদসু য়েংশিনখি। ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মীয়ামদা তেংবাং পীবা অমসুং মী কনবগী থবকশিং মখা তানা চত্থনবসু খঙহনখি। রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মরুওইনা অহল, অঙাং

অমসুং নুপীশিংবু অখন্ননা য়েংশিন্ননবসু প্রধান মন্ত্রিনা পাউতাক পীখি।

**লমজেল ঃ** ৭১ শুবা বটালিয়ন সি.আর.পি.এফনা শিনদুনা কিলোমিটর তরা শাংবা মিণি মরাথোন অমা লাক্লিবা সেপ্তেম্বর মঙাদা পাঙথোক্লগনি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্বাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মিণি মরাথোন অসি নহাশিংবু মশা-মঊ ফনা লৈহন্নবগী ৱাখল্লোনদা পাঙথোকপনি। মরাথোন অসিদা তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট অহুমসু পাঙথোক্কনি। ইভেন্ট অহুম অসি সি.আর.পি.এফকী সি-সভেন্টিৱান, দি-সভেন্টিৱান অমসুং জি-সভেন্টিৱাননা শিনবনি।

**কিদম্বী ঃ** চাইনাগী সেনজেনদা চত্থরিবা চাইনা মাস্তর সুপর সভেন ফিফতিদা ভারতকী সট্টলর-কিদম্বী শ্রীকান্দ নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে।

মহাকা কনাদাগী ভিক্তর লাইবু মায়থিবা পীদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখিবনি। ক্বাটর ফাইনেলদা হোং-কোংগী লি চুক য়ুগা থেংনরগনি। চেম্পিয়নসিপ অসিগী নুপাগী দবলসতা ভারতকী সদৱিক সাই রাজ রনকি রেদি অমসুং চিরাখ সেতিনা ফ্রান্সকী জ্ৰা খৃষ্টো অমসুং তোমা জ্নিয়ার পোপোভপু মায়থিবা পীদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখি।

**ক্রিকেট ঃ** টি-ত্বেন্তি এসিয়া কপ ক্রিকেটকী মেটচ অমদা হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুংদ পুং ৮ দা দুবাইগী ইন্তরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা ভারতকী নুপী ক্রিকেট টিমগা হোং কোংগা শান্নগনি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা দুবাইদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ভারতনা থাইলেন্দবু রন ৯৪ দা থোইখি। ঙসি হোং কোংগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসি থোইরবদি ভারত সেমি ফাইনেল চংবা ঙম্লগনি। লৈবাক ৮ গী এসিয়া কপ অসিদা ঙরাং শ্রীলঙ্কানা ইন্দোনেসিয়বু রন ৭৫ দা থোইখি।